থোকচোম প্রিয়োজিৎকী চহীগী কুমওন লাকপসিদা মীৎকি পিরাং কৎচরি

— মুতুম শান্তি —

(শোখরবশিংদা কখোকচরি)

হয়েং তাং ২৪-০৩-২০২৪ ইং, লমতাগী ১৪নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈখিদ্রবা ওজাগী ফিরোই থোক্লে। অইবীনা ইজরিবা ৱাহৈ খরসি ওজাগী খুয়াখাদা কৎচরি। লৎনদনা লৌশিনবীয়ুকো ওজাবু খুরুমজরি। ওজানা ইখূৎ পায়দুনা তাকপী-তম্বীরম্বা মহৈরোয় খুদিংমক্না ওজাগী চহীগী কুমওন লাকপসিদা মীৎকি পিরাং কৎচরি। ইমা লৈবাক, পোক্লফম লমদমসিদা তাঙলবা মণি-মুক্তাগুম্না ঙাল্লম্বা ধ্রুবতরা অমা তাইবঙ শেন্বা মপূগী খুয়াখাদা চঙজখ্রে। মীওইবা ঐখোয় পুম্নমক তাইবঙ মপূনা থাবীরকপনি, মপূগী মনাক্তা অমুক চঙজবনা অরোইবা মীৎকুপ ওইরি। ওজানা থৱায় হকচাং পুল্লিঙৈ মতম ওজাগী ময়েক শেংলবা ৱাখল্লোন, মহৈরোয় কয়াবু লমজিং লমতাকপীরম্মী। ওজা অমা ওইবগী চেনগদবা গুণ লৈতেংবা শক্লাইরবা মপারিনি লমদমসিগী। ওজাগী ঈং-তপ্পা, মহৈরোয় কয়াবু লাইরিক হৈতবা য়াদে হায়বা ৱাখলনা মাঙ থাদুনা তাকপী তম্বীরম্বা ওজাবু শক্লা শোন্নহৌরি। ওজানা অসুম্না তাকপীরম্মী - লমদম অসি চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহনসি হায়রবদি মীওই খুদিংমক লাইরিক হৈতবা য়াদে হায়না।

লাইরিক হায়বসিগী ৱাহন্থোক্তি **লাইগী লিক্লম (লিক্লু পরেং)** হায়বনি হায়না ওজানা তাকপীরম্মী। ওজানা তাকপীরম্বা ৱাহৈ অসি ঙসিসু নাকোংদা অসুম ঙংদুনা লৈরি। ঙসিগী খুন্নাই অসিদা তাইবঙপানবু ঙালহনবীরম্বা ৱাহৈ পরেং অসিবু তুংগী মীরোলনা চৈঙাক, চৈশু ওইবা কাউগুমসিকো। পূন্সিগী লম্বীসিদা থেংনগদৌরিবা অফবা অমদি ফত্তবা লম্বী অনীখক্তনি তাকপীরমখি। অফবা লম্বী থিদুনা চৎপা, হিংবা মতমদা লাইরিক নত্তনা অতোপ্পা পান্বৈ লৈতে হায়বীরমখি। নুংশিজরবা ওজাবু লমদমসিগী মীয়াম্না শক্ল-শোন্নরি মতম চূপ্পদা, অতাঙবা ওজানি লমদমসিগী, পাম্মুইদকো, নুংশিদকো। মীয়ামগী নুংশিবগী খোঞ্জেল, খোন্থোক্কী ৱাহৈ অথুন্বা অমৃত চেল্লবা অসি পুবিদুনা লাইরমলেন্দা ওজাগী থৱায়না হৈনম-লৈনম মরক্তা ঈংনা চিক্লা লৈহনবীবা ওইরসনু।

ওজাগী পোক্লফম লমদম শগোলবন্দ মৈনো লৈরক, ইম্ফাল, মণিপুরনি। ওজাগী তমজনীংঙাই, নুংশিজরবা খোঙচৎ উজহৌবা খরদং নীংশিংজরি - ওজাগী লোইনবী লাইকাংবম নিঙোল থোকচোম ওংবী অপাবী মচানুপা ২, মচানুপী অমনি। ইমুং মনুং নুংঙাইনা ঈংনা চিক্লা পাল্লি। ওজানা ওজাগী শিনফমদা খোঙদারকপা মতমদা সেকমাইদা ওজা ওইবা মতমদগী অইবীনা উজরকখি। মতমদুদা অয়ূক অঙনবদগী নুপা সাইকল অমদা ফুরিৎ অঙৌবা খোঙ্গ্রাও অঙৌবা শেৎলি। চন্দোল ফজনা থিন্দুনা সেকমাইদা লৈবা **'নিলপদ্মা হায় স্কুল'** দা অহানবা ওইনা ওজাগী শিনফমদা খোঙদারকখি। মতমদুদা এদেদ স্কুল ওইরম্মী।

নোংমাইজিং ছুটি নুমিৎ খুদিংগী সেকমাইদা ওজানা লাঙ্গোন পায়দুনা, ষণপোৎ খোইদুনা লৌ উরকখি। য়ুমদা হল্লকপা মতমদা শেৎলিবা ফি পুম্নমক লৈখোম তৈনা-তৈনা সাইকল থৌদুনা হল্লকখিবা ঙসি ফাওবা নীংশিংলি। ঐহাক্লা তম্ফাম্না স্কুলদা তম্লিঙৈদো নোংমা জোনষ্টোন স্কুলগী মহৈরোয় ময়াম অমা **'ইম্ফাল টৌকিজ'** সিনেমা হোল মমাঙদগী চৈ পায়দুনা কৌশিনবা উখি। নুপামচা ঙাক্তা ওইবনা লাক্লবা, ঙাঙনবা ৱারবা মতমদুগী মহৈরোয়শিংনা ওজাবু কয়াগী মতিক নুংশিজরমগনি। মতম অদু **কুমজা ১৯৭৭**নি। ঙসিদি চৎখ্রে ঐখোয় পুম্নমকপু তাকপী-তম্বীরম্বা তাঙলবা ধ্রুবতরা, অমুক হল্লক্লরোই ঐখোয়গী ইরক্তা। মহৈরোয় ওইরিঙৈ মতমদা করি শোয়খিগদগে হায়না ঙাকপী শেনবীরকখিবা ওজাশিংবু করিনা লমন শিংগনি, লমন তোনশিঞ্জরে।

ওজাগী থৱায় য়াওদ্রবা ফোটোদা লৈনা অমা কচ্চদুনা মীৎকি পিরাং ইরোয়ননা লৈমায় থক্তা খুরুমজরি। লৌবীয়ুকো ওজা। ওজানা থৱায়গা হকচাংগা অনীনা তিল্লিঙৈ ইথোক্তুনা থন্বীরম্বা লাইরিক কয়া পাজরব্বদা মীওইবগী ৱাখল্লোনবু অফবগী খোঙচৎনা ৱাংনা য়ূম্ফম থোনবীরি। ওজানা নোংমা কুমজা ২০১৪দা লম্ফেল দি সী ওফিসতা লাকখি। হকচাং খরা শোন্থরে। দি সী ওফিসকী গেটতগী ওজানা চঙলকপসি ঐনা উখি। ঐনা ওজা লাকপা উবদাঐগী কাদগী থুনা য়াঙনা থোক্তুনা ওজাবু খুরুমজদুনা ওকচখি। ওজাবু করম্বা থবক লৈবগী লাকপীবনো হংজখি। ওজানা দি সীদা চে অমত্তং থাজিনগে লাকপনি অদুগা ইবেন্মা শান্তিদা ঐনা ইজবা **'ছাত্রগী পুন্সি'** হায়বা লাইরিক অসি পীরমগে। ওজাসি খোঞ্জেল তপ্না ঙাঙবা, মখা তাবা কয়াদসু ইকায়খুম্ননা ঙাঙবা ওজানি। হায়জনীংলিবদি ওজা অমা ওইবগী **'গুণ'** সুনা য়াওবা শক্তম অমগী ওজানি। ওজানা ইমা লৈবাক্কী তুংগী মীরোলনা অফবা লম্বীদা য়ূম্ফম থোনবীরম্বা মগুণ লৈরবা লাইরিকশিং মখাদা মমিং খরদং ইথোকচরি :-

(১) ফেরজোল হায় স্কুলদা হেদ ওইরিঙৈ (২) মাও-মরামগী হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হেদ ওইরিঙৈ (৩) টি জি হায়র সেকেন্দরি/তমেংলোং হায়র সেকেন্দরি/জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি/সী সী হায়র সেকেন্দরি/জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরিদা থবক্তগী পোথারবা তুংদা অমুক হন্না এদ্যুকেন দিপার্টমেন্টনা চহী ৫ শাংদোকপীদুনা মহৈরোয়শিংগী মহে তমজবদা শরুক য়ারকখিবা ওজানি। ওজাগী ৱাখল্লোন্দা ইথোক্তুনা থন্বীরম্বা তাবুনুংগী ৱাহন্থোক খরদং- **১) হৌজিক্কী শিক্ষাগী মতৌবু উরগা নীংশিংলক্লি, ২) ঙসিদি অফবা মমা, অফবা শিক্ষা তঙাইফরক্রে, ৩) পূক্নিং লাকশিন্নবা হোৎনবসিনা খ্বাইদগী মরু ওইরক্লে, ৪) লাইরিক তন্নিবনি হায়দুনা করিমত্তা তৌহন্দবসিবু লানগদ্রা? ৫) মতম অমগী থবক থৌওংশিং ঙসিদি তমজনীংঙাই ওইরক্লে, ৬) মণিপুরদা শিক্ষাগী পান্দম থবক্তা ওন্থোকপা, ৭) অঙাং শেল্লকপদা নাউ চাউহন্দবা, ৮) ইশাদা লৈরিবা শক্তি অফবা থবক্তা শীজিন্নরবা, ৯) লমচৎ-শাজৎ শেমগৎ-শাগৎফমসি য়ূম-য়ূমদগী ওইরক্লে** অসিনচিংবা ৱায়েক ৱারোল, তুংলমচৎকী কান্নরবা ইথোক্তুনা থন্বীরম্বা শক্লাইরবা **'গুরু'** অমনি। **'গু'** হায়বনা অমন্বা, **'রু'** হায়বনা ঙালহনবা হায়না থমজগে। অমন্বা পূন্সি খোঙচৎপু অঙানবা লম্বীদা মীয়াম্বু খোঙদাহনবীরি। লৈখিদ্রবা ওজাগী অরোইবা খোঙচৎ ওইখ্রবা থৱায়না তাইবঙ মালেমগী ইমুং-মনুং, শাগৈ, কৈরোই লৈকায়, মরুপ-মপাং পূন্নমকপু থাদোকপীরম্লগা স্বর্গগী লম্বীদা সনাগী কৈরাক কাবীদুনা হৈনম-লৈনম্না থল্লবা অন্ত্রাবতিগী হৈকোল লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা পোখাবীবা ওইরসনু হায়না অইবীনা তাইবঙ শেন্বা মপূদা নীজরি।

অঙাংশিংগীদমক,
মোরেলদা মখল-মখলগী লমজীং-লম্বী
নিউ দিল্লিদা, ইং ১৯৯১ সেপ্তেম্বর ৫ দা
ভারতকী প্রসিদেন্ট 'আর ভেনকটরামন' নচী সি.সি. হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী
প্রিন্সিপাল থোকচোম প্রিয়জিৎনা নেস্নেল টিচর এৱার্ড লৌবা
অইবা:
থোকচোম প্রিয়জিৎ সিংহ
(নেস্নেল টিচর এৱার্ডী)

ওজানা খুদোল তম্বীরম্বা লাইরিক

ইন্দিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী এম পি পিগী অহানবা এম পি কাখিবা য়ূম্নাম য়াইমা -

মমাংথক্তগী মণিপুরীলোলবু মশক খঙবীদনা লৈরম্বা এম পি ৱাই য়াইমনা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা লাউখি, মীয়াম খঙনখি। মমৈথংদা মণিপুর পিপল পার্টি (এম পি পি) না হোৎনজবদগী কুমজা ১৯৯২গী ওগষ্ট ২০দা ৮শুবা সেদ্যুলদা চনবা ঙমখি। মতুংদা ঐখোয়গী লায়েংবা ঙমদ্রবা লায়না **'অনী থোকপী'** না য়েৎখাইখিবদগী সেদ্যুলদা চল্লবসু শেলগী ময়েক্তা হাপ্পা ঙমদবা ওইরকখি। মরমদি **'মণিপুরী লেংগ্বেজ ইন মণিপুরী স্ক্রিপ্ট'** হায়বগী বেঙ্গালি ময়েক্কী য়েৎনবা লৈবনা নোটনচিংবদা মণিপুরী লোলগী মফম ফংখিদ্রে।

শান্তিদাস গোসাইনা মণিপুরদা লাকখিবসি ঐখোয় পুময়োৎ য়োৎপা লাকখিবনি। ঐখোয়গী লাইনীং লাইশোন খুদিংমক মরূ ফংনা মূখৎলমখি। অমাং অশেংনা চীং তম অনীগী নুংশিনরম্বা মরী ককথৎখি। ঙসি ফাওবা শমজিনবা ঙমদ্রি। ৱারৌনখিবা পূন্নমক নিংথৌগী লৈঙাক্লা থোকহনখিবনি। ৱাফমসি ঙসি য়েলহৌ ফূরুপ ওইরিবা তাঙ্খুল অপূনবনা নীংশিংবীয়ু। অশিবগী লমন তোন্দুনা লাক্লবা মীওইবনি, নুংশিনবদগী হেনবা খুদোল অতৈ লৈতে মালেমদা। মতমদুগী কাঙলূপ খরনা মান্নরগা শান্নরম্বা লীলানা ঙসি ফাওবা লমদমসিগী মীয়াম অৱাবনা খম থেংনা ৱারিবনি। অচুম্বা লাকখিনি, ফত্তবা অরানবা ৱা কয়াদি তপ্না তপ্না মুৎথরক্কনি। মতম খরা চঙবা হায়বসি হৌনশানি। য়েলহৌমী ফূরুপ অনীনা পুকচেল খোইজেল তিন্নরবা কনানা লাকচবা ঙমগনি।

অমত্তা ওইসি নুংশিনসি, চান্নসি। হৌখিবা শোয়খিবা থৌদোক কয়াবু কাউথোক্লদুনা ইমা লৈবাক কল্লসি। য়েক্লবা চান্মা থোরক্লবসু কনানা লাকচবা ঙমগনি। ইমা অমত্তগী মচানি কাউফদে ইরৈচাশিং। অপূনবনা পাঙ্গলনি, নোংমদি য়াইফবা লমদম অমা ওইহল্লসি পোক্লফম ইমাগীদমক। মচা ঐখোয়না ইমা লৈবাক ঙাকচবা, তুংগী মীরোলগী লম্বী শেল্লম্বনা ঐখোয়গী ইথৌদাং ওইরসি। হৌজিক এম পি পিগী ওফিস ওইরিবা মফম অসি **ঠাকুরবারি পূখ্রি** হায়না খঙনবা থম্বাল থমচেৎ য়াম্না শাৎলম্বা মফমনি। পূখ্রি অসি ফুন্দুনা য়াম্না ৱানা শেমগৎ শাগৎলকখিবনি। অমনা 'ওল্ড এসেমব্লি ওফিস' কী মখা ওইরপ্না পাখি-কোমথী ওইনা লৈরম্বা মফমসি মতমদুগী এম পি পিগী অহলশিংনা শেল্লগা **ইরাবত ভবন** অসি খুদোল তম্লম্বনি।

লমদমসিগী মীরমগী পার্টি কয়ানা লৈবাক ঙাকহল্লুবদগী মীয়ামবু শা-ঙা হাৎপগুম হাৎলিবা মতম শাংলে, হন্দক খক্তা নত্তে। ইশানা ইশাবু মশক খঙজদবগুম ঐখোয়গী ইশাগী পার্টিবু কাউথোকখি। মমল য়াল্লবা ইশাগী পার্টিবু থৌওইদ্রগা লমগী ষণনা মচি শাংই হায়বদুমক্লি ঙসি থোক্লিবা। ঐখোয়গী ইপা ইপু মীরায়বীবদগী মচা-মশু ঐখোয় চৈথেং অসি ফংজরিবনি। অসিদগী হেন্না ৱাবা ঐখোয় করি অমা অমুক পাল্লিবগে ইরৈচাশিং। করম্বা নেসনল পার্টিনা শাংলবা মতমসিদা মীরাইবীরবা অমুক লাকখিগদ্রা নুংশিবগী মমি। ঐখোয়গী নুংশিজরবা মীয়াম্না হন্দক্কী লোক সভাগী ইলেক্সনসিদা নেসনল পার্টি অমনা হেক কারবা ঐখোয় পুমলোই লোইরে, ৱাখল খন্থবীয়ু।

মীয়াম অমুক হন্না মপানগী পার্টি অমত্তদা ভোট পীবিগনু। ইখোঙদা থাঙনা য়ানশিঞ্জবা থোক্কনি। ঐখোয়গী পার্টি অমখক্তনি। **মণিপুর পিপলস পার্টি** অসিনা ঐখোয়গী মীহুৎ ওইনা চৎখিবদা লান লোইখিনি হায়বসি মুন্না খন্থবীয়ু। ঐখোয়না হিংলিবসি ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি। ইশাগী খক্তা খনবা, পুকচেল পীকপা চাওখৎতবা মীশিং য়াম্বনা লমদমসি ৱারিবনি। হৌরকঙৈদগী পূনশিনবা ঙমদনা হিংলকখি ঙসি ফাওবা। লুচিংবা ওইবীরিবা লূপ কয়াগী অপূনবা শক্তম অমত্তং শেমগৎ শাগৎচবা ঙল্লবদি সেন্টরনা অমদি মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্লা ইকায়খুম্নফম ওইরক্কনি খন্থবীয়ু। লুচিংবা তান্নরিঙৈ ইমা লৈবাক মচেৎ কয়া থোক্লা কায়রক্লগনি হায়বসি লূপকী লিদরশিংগী থম্মোয়দা চিংশিনবা ঙম্বীদ্রিবা করিগীনো?

মশীং খঙদ্রবা লূপ ময়াম্না নুপী ওইবী 'ইমা মৈরা পায়বী' শিংবু ইকায়খুম্নবীয়ু। লূপ খুদিংনা ফম্মু, লেপ্পু, চোঙউ পংহায়দা হায়বীগনু। অপূনবা লূপ (এপেক্স বোদি) অমা অথুবদা শেম্বীয়ু। হায়বীরকপা খুদিংমক ইমাশিংনা তাবীগনি। হেন্না চাওখৎপা য়াইফবা পুরক্কনি খঞ্জে। কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী থোরক্লিবা অৱাবা মীশি মীনা খোঙচৎ অসি এম পি পিনা পাল্লন্লবা থোক্লম্লোই। ইরমদমগী পার্টিনা লৈঙাকচরবা ষ্টেট অমগী শক্তি শীজিন্নবদা য়েক্লবনা করি হেঞ্জিনবা ঙমগনি। মতম শাংনা মীগী পার্টিনা লৈঙাকহনবা, লুচিংবসু লাইরিক লাইশু হৈতবা, লৈবাক ঙাকপা হৈতবা শম্না হায়রবদা ৱাখল খন্থবা ঙমদবা, তুংগী লম্বী শাংনা উবা ঙমদবা ময়াম, শেল পীরগা লৈখিবা ভোটরশিং ঐখোয়না শান্নহনবা লীলানি। ঙসিদি নুংঙাইরে পেল্লে ইমিৎ থিংনা উজরে। ইচাশিংগী মঙক্তা থাঙনা লেল্লে। মতুপ মতুপ কক্তুনা চীংদগী খোঙপাক্লা কাওথবীরক্লে। লুচিংবা ঐখোয়না খনখিবনি।

হৌজিকসু লুচিংবা ওইবা পামদুনা লেংথোরক্লিবা খুদিংমক মীয়াম্না থম্মোয় মনুংদা করি য়াওরিবগে হোগাইরগা য়েংলসি। য়াম্না লুরিবদি য়াম্না চরাংনরগা মীয়াম্বু থমায়বা থোরকপা য়াওরি। মীয়াম্বু লাংলগা থমায়রি কাউগনু চেকশিনবীয়ু। লাংলবদি ৱাখল চোইহল্লিবনি। থা ১১ চঙলক্লবা লানবুংসিদা ঙসি ফাওবা হন্না য়েংবীখিদ্রবা সেন্টরদা কনাগা কনাগা পূন্না লৈঙাক ঙাক্লিবগে খঙদোকপীয়ু। সেন্টরদা পায়বা লৈঙাক্লা লমদমসিদা অমুক হন্না পালহনবা য়াদে। কোংগ্রেসনা পাল্লিঙৈ দবল ইঞ্জিননি। বি জে পিনা পাল্লিবা হৌজিক্কী লৈঙাক অসিসু দবল ইঞ্জিন ওইরি। অনীমক্লা পানবদা মীওই কয়া মশীং থিঙমদনা হাত্তোকপীখ্রবনি। মুন্না ৱাখল খন্থরসি। মমাঙথক্কী শেলনা ভোট খোন্বা চৎনবী থাদোক্লসি। শেল লৌবদগী মীয়ামগী ইরাল ওইরক্লি। ঐখোয়গী হৈশিংবা শারিবা মীওই খরা থোরক্লিবা অসি মুন্না থিজিনবীয়ু।

মতাংসিদা থমজনীংবদি অঙাংগা অহলগা অনীগী খেন্নবসু য়েংবীয়ু। তুংগী ৱাখল লৌশিং ৱাংপা মীওইদি মপূং ফাদবা ওইগনি খঞ্জে। ঐখোয়গীদি মীহুৎসু অনীখক্তনি। চীংগী অমা থাগৎলকপদা ইন্দিয়ন রেভন্যু সর্ভিসতগী রিটাইয়র তৌখ্রবা ওফিসলগী ফাইল শুবা হৈরবা হায়বদি ওফিসকী চেনেল খঙলবা অসিগুম্বা মীনা ইকায়খুম্নগদবা মীওইশিং থাগৎলক্লি। ঐখোয় তম্পাক্কীদি হেন্না লুরিবনি। মীরেপ্তুগী মতিক মগুণ য়েংবা অমসু চঙই। হান্নগী মীরেপ তৌদুনা এম পি মীহুৎ থাখিবশিংনা ৱা ঙাঙবা অথিংবা থম্বগীনি। দবল ইঞ্জিননা লৈঙাকপদা হরাওখিবা নুমিৎতুগী চৈনানি ঙসি ঐখোয়না ফংজবসি। ইশাগী পার্টি, মীগী পার্টি অনীগী অমাঙবা, অতোংবা থিদনা চরাংনবা, ৱাখল খন্থহৌদবা ঙসিদি মীয়াম করি শারে।

লৈবাক্কী ওইবা য়াম্না মরু ওইবা ওর্দর অমা খূৎয়েক পীদ্রিঙৈদো লৈবাক্কী মপূ অশেংবা ওইরিবা মীয়ামদা খঙহনগদবনি হায়দুনা লৈঙাক্কী চৎন কাঙলোনদা ময়েক শেংনা ইরি। পুম্নমক অসি তোল্লগা মীয়াম্বু করিসু ইকায়খুম্নদবা কোংগ্রেসনা কুকিগী 'সূ' পীথোক্লমখি। বি জে পিনা 'এনি ত্রাইব' য়েলহৌমীনি হায়না পীথোক্লমখি। মীয়াম্না চেক চেকশিল্লগা মীখা পোন্না হিংগদবগী শরুক ইরমদমগী পার্টিনা লৈবাক ঙাকচবনা হৌজিক্কী মীরোল অমদি তুংগী মীরোলনা য়াইফরগনি। হুইয়েন লানপাউ পাউচেবু নুংশিবীদুনা পাবীরিবা মীয়াম্বু অইবীনা কোক নোন্না খুরুমজরি। ●

এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

লুহোংবদা চিত্রহার মাল্লকপা

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

সনা লৈবাক মণিপুর অসিদা পোকচবা মপারী মমোম খুদিং অসি সনাগা পাঙ্খক্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই। লাইগুল্লবা, লাইমক্কী মপোক্নুম মশেক মঙাল নাইরবা মতিক মথৌনা, মবুধি মরৌশিং লৈবা অথৌবা মপারী ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিং অদুগী মগুণনা হেন্না মশক নাইহল্লি ইরমদম অসিবু। অদুগুম্না লাই ওইখ্রবা ইপা-ইপুশিং অদুগী মফমদা অহানবমক্তদা খুরুমজরি।

পীকচরবসু ইরমদম অসিগী কলা সংস্কৃতি, নাৎ-চৎনবী, হৌন-লোনচত্ত নত্তনা শান্নবা মশান্না কয়াদা মালেম পুম্বদনা ইরমদম অসিবু মশক খঙবীরি অমদি শীংথানবীরি। লমদম অসিদা পানখিবা নিংথৌরোল মথং মথং কয়ানা ইরমদম ঙাকপদা নত্তনা চাওখৎপা লম্বীদা পুরকপদা য়াম্না কন্না হোৎনবীরম্মী। অদুগুম্লবা কয়া অদুগী মহয়না ঙসিদি ইরমদম অসি মপূং ফানা ফজরবা ইরমদম অমা ওইজবা ঙমজরিবনি হায়জনীংই।

মখা তারকপদা, ইজাতি অসিগী পোকপদগী শিবা ফাওবা চঙদ্রবা য়াদ্রবা অমনি হায়না লৌনরিবা লাইনীং লম্বী অমসু ওইরিবা শঙ্কীর্ত্তন অসি কয়াদা ফজথ্রবনো। য়ুনেস্কোনা মণিপুরী শঙ্কীর্ত্তন অসিবু শকখঙবীদুনা **Intangible Cultural Heritage of Humanity** হায়না কুমজা ২০১৩গী দিসেম্বর ৪দা লাউথোকপীখি। হায়রিবা দিসেম্বর ৪ অসি চহী খুদিংগী ষ্টেট গর্ভর্ণমেন্টনসু শঙ্কীর্ত্তন দে হায়না লাউথোকপীবগা লোয়ননা থৌরম পাঙথোক্লি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর, জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিদা শঙ্কীর্ত্তনগী ওইবা দিপার্টমেন্ট চাউনা হাংদুনা লৈরি। মসিদা মতিক চারবা ওজা কয়ানা লৈতেংলি অমদি মশক নাইরবা মহৈরোয় কয়া অমা পুথোকপা ঙল্লি। অসিদসু নত্তনা শঙ্কীর্ত্তনগী ওইবা লন্নাই লূপ কয়া অমসু লীংখৎতুনা শঙ্কীর্ত্তন অসিবু য়োকখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌনরি।

থমজনীংলিবা ৱাফমদি হায়রিবা শঙ্কীর্ত্তনগী ওইবা দিপার্টমেন্ট অসিদসু তম্বীরি অমদি লাইরিক কয়া অমদসু থেংনজরে মদুদি : হোলি তৌরগদি ধুলোক য়ৈগনি, ঈশৈ শকপা/শকপীনা রামতাল পায়গনি, মনোহর সাই হায়রিবা শৈশক অসিদদি খোল হায়রিবা পুঙ মখল অসি য়ৈগনি অদুগা ঈশৈ শকপনা রামতাল পায়গনি, খূবাক ঈশৈ শৈশক অসিদনা ঈশৈ শকপা/শকপীনা করিমত্তা পায়দনা খূবাক্লা তাল থাগনি অদুগা পুঙ য়ৈগনি, নট শঙ্কীর্ত্তন ওইরবসু নুপা শৈশকপনা কর্তাল পায়গনি, নুপী ওইরগনা মন্দিলা পায়গনি অদুগা পুঙ হায়রিবা যন্ত্র অসি য়ৈগনি।

শুমাংদা শঙ্কীর্ত্তন অমা পাঙথোকপা তারগদি মান্দব মখোঙ নিপালনা কোয়শিনবা মনুংদা পাঙথোক্কনি। ময়ায়দা যত্রা য়ুংবগা মান্দব মখোঙ মাপন শুগনি। ফিজং খনবীরিবা ময়াম্নসু খঙজিনবীবা ফৈ মান্দব মখোঙ মরি খক্কী মনুংদা শঙ্কীর্ত্তন পাঙথোকপা থেংনজে। লোয়ননা শঙ্কীর্ত্তন শক শোনবীরিবা ওজা ময়ামসু ৱাখল তবীয়ু হায়জনীংই।

অদোম অদোম্না পাঙথোকপীরিবা শঙ্কীর্ত্তন অসি করম্বা শৈশকনো? মনোহর সাই ওইরগদি খোল য়ৈবীয়ু অমদি রামতাল খিংবীয়ু। নট শঙ্কীর্ত্তন ওইরগদি কর্তাল নৎত্রগা মন্দিলা খিংবীয়ু পুঙ ওইনা য়ৈবীয়ু। হৌরক্লিবা নুপী শৈশকপী খরদি শকপনা নট শঙ্কীর্ত্তন শৈশক পরিং শকপদা মন্দিলা খিংবীরি অদুগা করিগীদমক পুঙ য়ৈবনা খোল য়ৈরিবনো? অসুক চাউবা শঙ্কীর্ত্তনগী ওইবা মহৈ তম্ফম অসিদা তম্বীদ্রবরা নৎত্রগা মসিদা তম্লুরগা শুমাংদা মরিং মরাং ওইনা পাঙথোকপীরিবরা? শঙ্কীর্ত্তনগী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী ওজা অমদি মহৈরোয়বু ওইরো লন্নাই লূপকী মহৈরোয়বু ওইরো অদোম অদোমদা তমজরকপা অমদি তম্বীরিবা ময়াম অদু মরীক চুম্না তৌবীয়ু। হীরমসিদা খঙলে হৈরে হায়দুনা অদোম অদোম্বু শকপা শোনবা তৌহঞ্জরিবসি মরীং মরাং ওইবা থবক্তা তৌবীগনু হায়জনীংই।

হায়জরিবা ময়াম অসি থৌবু ওইজরিবা ঐখোয় পুম্নমক্নসু খঙফম থোকই হায়না থমজনীংই। ফেসবুক্তা উজখিবদা পুঙ য়ৈবনা মঙক্তা য়ানবা ফি অদু লৌথোক্লগা মথক্তা লংবা উজখ্রে। অহল লমন ময়াম কোইনা ফল্লগা মীমাঙদা ফী লংবা, কনবা হায়বসি চৎনদে খঙজিনবীয়ু। নুপা শৈশকপনসু ফজনা পাঙথোকপীরিবা নট শঙ্কীর্ত্তনদা **এফ এম মাইক্রোফোন**গা হাপ্লগা ঈশৈ শকপা হৌদোরক্লিবা অসি ৱেষ্টনগী মতৌ তম্বীরিব্রা হায়জনীংই, ঐগী ৱাহৈদা কনবা য়াওরম্বসু য়াই অদুবু ভক্তি বেব্যাহার ময়েং তাহনবীগনু হায়জনীংই। মতিক চারবা মীয়ামদি **লিমিট**কী ৱাংমদা থবক তৌহঞ্জনীংদে। জ গোয় শাববু ওইরো, চোলোম তৌববু ওইরো মাগী লিমিট অমদি লৈরমগনি খঞ্জে। শঙ্কীর্ত্তনদা শীজিন্নগদবা যন্ত্র মশক খঙনা শক্লিবা শৈশক অদুগা চান্ননা শীজিন্নবীয়ু।

করিগুম্বা এম য়ু সী নৎত্রগা জে এন এম দি এদগী তমজরুরগা থোরকপা মহৈরোয়না মরিং মরাং তৌরকপা থোক্লবদি অসুক চাউরবা দিপার্টমেন্ট অসিগী ঈজৎ মাঙবা য়াবগী মশক অমনি। অদুনা অথুবদা মসিগী মথক্তা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনসু মীৎয়েং চঙহঞ্জনীংই।

অদোমগী - ডা. অধিকারিময়ূম আইশো শর্ম্মা, নোংমৈবুং

ꯂꯨꯍꯣꯡꯕꯗ ꯆꯤꯇ꯭ꯔꯍꯥꯔ ꯃꯥꯜꯂꯛꯄ

ꯏꯀꯥꯏꯈꯨꯝꯅꯖꯔꯤꯕ ꯑꯦꯗꯤꯇꯔ,

ꯁꯅꯥ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯑꯁꯤꯗ ꯄꯣꯛꯆꯕ ꯃꯄꯥꯔꯤ ꯃꯃꯣꯝ ꯈꯨꯗꯤꯡ ꯑꯁꯤ ꯁꯅꯥꯒ ꯄꯥꯡꯈꯛꯂꯤ ꯍꯥꯌꯕꯗ ꯍꯥꯌꯃꯟꯕ ꯊꯣꯛꯂꯔꯣꯏ꯫ ꯂꯥꯏꯒꯨꯜꯂꯕ, ꯂꯥꯏꯃꯛꯀꯤ ꯃꯄꯣꯛꯅꯨꯝ ꯃꯁꯦꯛ ꯃꯉꯥꯜ ꯅꯥꯏꯔꯕ ꯃꯇꯤꯛ ꯃꯊꯧꯅ, ꯃꯕꯨꯙꯤ ꯃꯔꯧꯁꯤꯡ ꯂꯩꯕ ꯑꯊꯧꯕ ꯃꯄꯥꯔꯤ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯏꯄꯥ-ꯏꯄꯨꯁꯤꯡ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯃꯒꯨꯅꯅ ꯍꯦꯟꯅ ꯃꯁꯛ ꯅꯥꯏꯍꯜꯂꯤ ꯏꯔꯃꯗꯝ ꯑꯁꯤꯕꯨ꯫ ꯑꯗꯨꯒꯨꯝꯅ ꯂꯥꯏ ꯑꯣꯏꯈꯔꯕ ꯏꯄꯥ-ꯏꯄꯨꯁꯤꯡ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯃꯐꯝꯗ ꯑꯍꯥꯅꯕꯃꯛꯇꯗ ꯈꯨꯔꯨꯝꯖꯔꯤ꯫

ꯄꯤꯛꯆꯔꯕꯁꯨ ꯏꯔꯃꯗꯝ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯀꯂꯥ ꯁꯪꯁ꯭ꯀ꯭ꯔꯤꯇꯤ, ꯅꯥꯠ-ꯆꯠꯅꯕꯤ, ꯍꯧꯟ-ꯂꯣꯟꯆꯠ ꯅꯠꯇꯅ ꯁꯥꯟꯅꯕ ꯃꯁꯥꯟꯅ ꯀꯌꯥꯗ ꯃꯥꯂꯦꯝ ꯄꯨꯝꯕꯗꯅ ꯏꯔꯃꯗꯝ ꯑꯁꯤꯕꯨ ꯃꯁꯛ ꯈꯪꯕꯤꯔꯤ ꯑꯃꯗꯤ ꯁꯤꯡꯊꯥꯅꯕꯤꯔꯤ꯫ ꯂꯃꯗꯝ ꯑꯁꯤꯗ ꯄꯥꯟꯈꯤꯕ ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯃꯊꯪ ꯃꯊꯪ ꯀꯌꯥꯅ ꯏꯔꯃꯗꯝ ꯉꯥꯛꯄꯗ ꯅꯠꯇꯅ ꯆꯥꯎꯈꯠꯄ ꯂꯝꯕꯤꯗ ꯄꯨꯔꯛꯄꯗ ꯌꯥꯝꯅ ꯀꯟꯅ ꯍꯣꯠꯅꯕꯤꯔꯝꯃꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯒꯨꯝꯂꯕ ꯀꯌꯥ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯃꯍꯩꯅ ꯉꯁꯤꯗꯤ ꯏꯔꯃꯗꯝ ꯑꯁꯤ ꯃꯄꯨꯡ ꯐꯥꯅ ꯐꯖꯔꯕ ꯏꯔꯃꯗꯝ ꯑꯃ ꯑꯣꯏꯖꯕ ꯉꯝꯖꯔꯤꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯖꯅꯤꯡꯏ꯫

ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯔꯛꯄꯗ, ꯏꯖꯥꯇꯤ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯄꯣꯛꯄꯗꯒꯤ ꯁꯤꯕ ꯐꯥꯎꯕ ꯆꯪꯗꯔꯕ ꯌꯥꯗꯔꯕ ꯑꯃꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅ ꯂꯧꯅꯔꯤꯕ ꯂꯥꯏꯅꯤꯡ ꯂꯝꯕꯤ ꯑꯃꯁꯨ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕ ꯁꯪꯀꯤꯔꯇꯟ ꯑꯁꯤ ꯀꯌꯥꯗ ꯐꯖꯊꯔꯕꯅꯣ꯫ ꯌꯨꯅꯦꯁ꯭ꯀꯣꯅ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯤ ꯁꯪꯀꯤꯔꯇꯟ ꯑꯁꯤꯕꯨ ꯁꯛꯈꯪꯕꯤꯗꯨꯅ **Intangible Cultural Heritage of Humanity** ꯍꯥꯌꯅ ꯀꯨꯝꯖ ꯲꯰꯱꯳ꯒꯤ ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯴ꯗ ꯂꯥꯎꯊꯣꯛꯄꯤꯈꯤ꯫ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕ ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯴ ꯑꯁꯤ ꯆꯍꯤ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯒꯚꯔꯅꯃꯦꯟꯇꯅꯁꯨ ꯁꯪꯀꯤꯔꯇꯟ ꯗꯦ ꯍꯥꯌꯅ ꯂꯥꯎꯊꯣꯛꯄꯤꯕꯒ ꯂꯣꯌꯅꯅ ꯊꯧꯔꯝ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯂꯤ꯫

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯌꯨꯅꯤꯚꯔꯁꯤꯇꯤ ꯑꯣꯐ ꯀꯂꯆꯔ, ꯖꯋꯥꯍꯔꯂꯥꯜ ꯅꯦꯍꯔꯨ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯗꯥꯟꯁ ꯑꯦꯀꯥꯗꯦꯃꯤꯗ ꯁꯪꯀꯤꯔꯇꯟꯒꯤ ꯑꯣꯏꯕ ꯗꯤꯄꯥꯔꯠꯃꯦꯟꯇ ꯆꯥꯎꯅ ꯍꯥꯡꯗꯨꯅ ꯂꯩꯔꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯗ ꯃꯇꯤꯛ ꯆꯥꯔꯕ ꯑꯣꯖꯥ ꯀꯌꯥꯅ ꯂꯩꯇꯦꯡꯂꯤ ꯑꯃꯗꯤ ꯃꯁꯛ ꯅꯥꯏꯔꯕ ꯃꯍꯩꯔꯣꯏ ꯀꯌꯥ ꯑꯃ ꯄꯨꯊꯣꯛꯄ ꯉꯝꯂꯤ꯫ ꯑꯁꯤꯗꯁꯨ ꯅꯠꯇꯅ ꯁꯪꯀꯤꯔꯇꯟꯒꯤ ꯑꯣꯏꯕ ꯂꯟꯅꯥꯏ ꯂꯨꯞ ꯀꯌꯥ ꯑꯃꯁꯨ ꯂꯤꯡꯈꯠꯇꯨꯅ ꯁꯪꯀꯤꯔꯇꯟ ꯑꯁꯤꯕꯨ ꯌꯣꯛꯈꯠꯄꯗ ꯑꯆꯧꯕ ꯊꯧꯗꯥꯡ ꯂꯧꯅꯔꯤ꯫

ꯊꯝꯖꯅꯤꯡꯂꯤꯕ ꯋꯥꯐꯝꯗꯤ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕ ꯁꯪꯀꯤꯔꯇꯟꯒꯤ ꯑꯣꯏꯕ ꯗꯤꯄꯥꯔꯠꯃꯦꯟꯇ ꯑꯁꯤꯗꯁꯨ ꯇꯝꯕꯤꯔꯤ ꯑꯃꯗꯤ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ ꯀꯌꯥ ꯑꯃꯗꯁꯨ ꯊꯦꯡꯅꯖꯔꯦ ꯃꯗꯨꯗꯤ : ꯍꯣꯂꯤ ꯇꯧꯔꯒꯗꯤ ꯙꯨꯂꯣꯛ ꯌꯩꯒꯅꯤ, ꯏꯁꯩ ꯁꯀꯄ/ꯁꯀꯄꯤꯅ ꯔꯥꯃꯇꯥꯜ ꯄꯥꯌꯒꯅꯤ, ꯃꯅꯣꯍꯔ ꯁꯥꯏ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕ ꯁꯩꯁꯛ ꯑꯁꯤꯗꯗꯤ ꯈꯣꯜ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕ ꯄꯨꯡ ꯃꯈꯜ ꯑꯁꯤ ꯌꯩꯒꯅꯤ ꯑꯗꯨꯒ ꯏꯁꯩ ꯁꯀꯄꯅ ꯔꯥꯃꯇꯥꯜ ꯄꯥꯌꯒꯅꯤ, ꯈꯨꯕꯥꯛ ꯏꯁꯩ ꯁꯩꯁꯛ ꯑꯁꯤꯗꯅ ꯏꯁꯩ ꯁꯀꯄ/ꯁꯀꯄꯤꯅ ꯀꯔꯤꯃꯠꯇ ꯄꯥꯌꯗꯅ ꯈꯨꯕꯥꯛꯂ ꯇꯥꯜ ꯊꯥꯒꯅꯤ ꯑꯗꯨꯒ ꯄꯨꯡ ꯌꯩꯒꯅꯤ, ꯅꯠ ꯁꯪꯀꯤꯔꯇꯟ ꯑꯣꯏꯔꯕꯁꯨ ꯅꯨꯄꯥ ꯁꯩꯁꯛꯄꯅ ꯀꯔꯇꯥꯜ ꯄꯥꯌꯒꯅꯤ, ꯅꯨꯄꯤ ꯑꯣꯏꯔꯒꯅ ꯃꯟꯗꯤꯂꯥ ꯄꯥꯌꯒꯅꯤ ꯑꯗꯨꯒ ꯄꯨꯡ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕ ꯌꯟꯇ꯭ꯔ ꯑꯁꯤ ꯌꯩꯒꯅꯤ꯫

ꯁꯨꯃꯥꯡꯗ ꯁꯪꯀꯤꯔꯇꯟ ꯑꯃ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯄ ꯇꯥꯔꯒꯗꯤ ꯃꯥꯟꯗꯕ ꯃꯈꯣꯡ ꯅꯤꯄꯥꯜꯅ ꯀꯣꯌꯁꯤꯟꯕ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯀꯅꯤ꯫ ꯃꯌꯥꯏꯗ ꯌꯇ꯭ꯔꯥ ꯌꯨꯡꯕꯒ ꯃꯥꯟꯗꯕ ꯃꯈꯣꯡ ꯃꯥꯄꯟ ꯁꯨꯒꯅꯤ꯫ ꯐꯤꯖꯪ ꯈꯅꯕꯤꯔꯤꯕ ꯃꯌꯥꯝꯅꯁꯨ ꯈꯪꯖꯤꯅꯕꯤꯕ ꯐꯩ ꯃꯥꯟꯗꯕ ꯃꯈꯣꯡ ꯃꯔꯤ ꯈꯛꯀꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯁꯪꯀꯤꯔꯇꯟ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯄ ꯊꯦꯡꯅꯖꯦ꯫ ꯂꯣꯌꯅꯅ ꯁꯪꯀꯤꯔꯇꯟ ꯁꯛ ꯁꯣꯟꯕꯤꯔꯤꯕ ꯑꯣꯖꯥ ꯃꯌꯥꯃꯁꯨ ꯋꯥꯈꯜ ꯇꯕꯤꯌꯨ ꯍꯥꯌꯖꯅꯤꯡꯏ꯫

ꯑꯗꯣꯝ ꯑꯗꯣꯝꯅ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯄꯤꯔꯤꯕ ꯁꯪꯀꯤꯔꯇꯟ ꯑꯁꯤ ꯀꯔꯝꯕ ꯁꯩꯁꯀꯅꯣ? ꯃꯅꯣꯍꯔ ꯁꯥꯏ ꯑꯣꯏꯔꯒꯗꯤ ꯈꯣꯜ ꯌꯩꯕꯤꯌꯨ ꯑꯃꯗꯤ ꯔꯥꯃꯇꯥꯜ ꯈꯤꯡꯕꯤꯌꯨ꯫ ꯅꯠ ꯁꯪꯀꯤꯔꯇꯟ ꯑꯣꯏꯔꯒꯗꯤ ꯀꯔꯇꯥꯜ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒ ꯃꯟꯗꯤꯂꯥ ꯈꯤꯡꯕꯤꯌꯨ ꯄꯨꯡ ꯑꯣꯏꯅ ꯌꯩꯕꯤꯌꯨ꯫ ꯍꯧꯔꯛꯂꯤꯕ ꯅꯨꯄꯤ ꯁꯩꯁꯛꯄꯤ ꯈꯔꯗꯤ ꯁꯀꯄꯅ ꯅꯠ ꯁꯪꯀꯤꯔꯇꯟ ꯁꯩꯁꯛ ꯄꯔꯤꯡ ꯁꯀꯄꯗ ꯃꯟꯗꯤꯂꯥ ꯈꯤꯡꯕꯤꯔꯤ ꯑꯗꯨꯒ ꯀꯔꯤꯒꯤꯗꯃꯛ ꯄꯨꯡ ꯌꯩꯕꯅ ꯈꯣꯜ ꯌꯩꯔꯤꯕꯅꯣ? ꯑꯁꯨꯛ ꯆꯥꯎꯕ ꯁꯪꯀꯤꯔꯇꯟꯒꯤ ꯑꯣꯏꯕ ꯃꯍꯩ ꯇꯝꯐꯝ ꯑꯁꯤꯗ ꯇꯝꯕꯤꯗꯔꯕꯔꯥ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒ ꯃꯁꯤꯗ ꯇꯝꯂꯨꯔꯒ ꯁꯨꯃꯥꯡꯗ ꯃꯔꯤꯡ ꯃꯔꯥꯡ ꯑꯣꯏꯅ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯄꯤꯔꯤꯕꯔꯥ? ꯁꯪꯀꯤꯔꯇꯟꯒꯤ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯕ ꯗꯤꯄꯥꯔꯠꯃꯦꯟꯇꯀꯤ ꯑꯣꯖꯥ ꯑꯃꯗꯤ ꯃꯍꯩꯔꯣꯌꯕꯨ ꯑꯣꯏꯔꯣ ꯂꯟꯅꯥꯏ ꯂꯨꯞꯀꯤ ꯃꯍꯩꯔꯣꯌꯕꯨ ꯑꯣꯏꯔꯣ ꯑꯗꯣꯝ ꯑꯗꯣꯃꯗ ꯇꯃꯖꯔꯀꯄ ꯑꯃꯗꯤ ꯇꯝꯕꯤꯔꯤꯕ ꯃꯌꯥꯝ ꯑꯗꯨ ꯃꯔꯤꯛ ꯆꯨꯝꯅ ꯇꯧꯕꯤꯌꯨ꯫ ꯍꯤꯔꯃꯁꯤꯗ ꯈꯪꯂꯦ ꯍꯩꯔꯦ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅ ꯑꯗꯣꯝ ꯑꯗꯣꯝꯕꯨ ꯁꯀꯄ ꯁꯣꯟꯕ ꯇꯧꯍꯟꯖꯔꯤꯕꯁꯤ ꯃꯔꯤꯡ ꯃꯔꯥꯡ ꯑꯣꯏꯕ ꯊꯕꯛꯇ ꯇꯧꯕꯤꯒꯅꯨ ꯍꯥꯌꯖꯅꯤꯡꯏ꯫

ꯍꯥꯌꯖꯔꯤꯕ ꯃꯌꯥꯝ ꯑꯁꯤ ꯊꯧꯕꯨ ꯑꯣꯏꯖꯔꯤꯕ ꯑꯩꯈꯣꯌ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯅꯁꯨ ꯈꯪꯐꯝ ꯊꯣꯛꯏ ꯍꯥꯌꯅ ꯊꯝꯖꯅꯤꯡꯏ꯫ ꯐꯦꯁꯕꯨꯛꯇ ꯎꯖꯈꯤꯕꯗ ꯄꯨꯡ ꯌꯩꯕꯅ ꯃꯉꯛꯇ ꯌꯥꯟꯕ ꯐꯤ ꯑꯗꯨ ꯂꯧꯊꯣꯛꯂꯒ ꯃꯊꯛꯇ ꯂꯪꯕ ꯎꯖꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯑꯍꯜ ꯂꯃꯟ ꯃꯌꯥꯝ ꯀꯣꯏꯅ ꯐꯜꯂꯒ ꯃꯤꯃꯥꯡꯗ ꯐꯤ ꯂꯪꯕ, ꯀꯅꯕ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯆꯠꯅꯗꯦ ꯈꯪꯖꯤꯅꯕꯤꯌꯨ꯫ ꯅꯨꯄꯥ ꯁꯩꯁꯛꯄꯅꯁꯨ ꯐꯖꯅ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯄꯤꯔꯤꯕ ꯅꯠ ꯁꯪꯀꯤꯔꯇꯟꯗ ꯑꯦꯐ ꯑꯦꯝ ꯃꯥꯏꯛꯔꯣꯐꯣꯅꯒ ꯍꯥꯞꯂꯒ ꯏꯁꯩ ꯁꯀꯄ ꯍꯧꯗꯣꯔꯛꯂꯤꯕ ꯑꯁꯤ ꯋꯦꯁ꯭ꯇꯅꯒꯤ ꯃꯇꯧ ꯇꯝꯕꯤꯔꯤꯕꯔꯥ ꯍꯥꯌꯖꯅꯤꯡꯏ, ꯑꯩꯒꯤ ꯋꯥꯍꯩꯗ ꯀꯅꯕ ꯌꯥꯎꯔꯝꯕꯁꯨ ꯌꯥꯏ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯚꯛꯇꯤ ꯕꯦꯕꯌꯥꯍꯥꯔ ꯃꯌꯦꯡ ꯇꯥꯍꯅꯕꯤꯒꯅꯨ ꯍꯥꯌꯖꯅꯤꯡꯏ꯫

ꯃꯇꯤꯛ ꯆꯥꯔꯕ ꯃꯤꯌꯥꯃꯗꯤ ꯂꯤꯃꯤꯠꯀꯤ ꯋꯥꯡꯃꯗ ꯊꯕꯛ ꯇꯧꯍꯟꯖꯅꯤꯡꯗꯦ꯫ ꯖ ꯒꯣꯌ ꯁꯥꯕꯕꯨ ꯑꯣꯏꯔꯣ, ꯆꯣꯂꯣꯝ ꯇꯧꯕꯕꯨ ꯑꯣꯏꯔꯣ ꯃꯥꯒꯤ ꯂꯤꯃꯤꯠ ꯑꯃꯗꯤ ꯂꯩꯔꯃꯒꯅꯤ ꯈꯟꯖꯦ꯫ ꯁꯪꯀꯤꯔꯇꯟꯗ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯒꯗꯕ ꯌꯟꯇ꯭ꯔ ꯃꯁꯛ ꯈꯪꯅ ꯁꯛꯂꯤꯕ ꯁꯩꯁꯛ ꯑꯗꯨꯒ ꯆꯥꯟꯅꯅ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯕꯤꯌꯨ꯫

ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕ ꯑꯦꯝ ꯌꯨ ꯁꯤ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒ ꯖꯦ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯝ ꯗꯤ ꯑꯦꯗꯒꯤ ꯇꯃꯖꯔꯨꯔꯒ ꯊꯣꯔꯀꯄ ꯃꯍꯩꯔꯣꯌꯅ ꯃꯔꯤꯡ ꯃꯔꯥꯡ ꯇꯧꯔꯀꯄ ꯊꯣꯛꯂꯕꯗꯤ ꯑꯁꯨꯛ ꯆꯥꯎꯔꯕ ꯗꯤꯄꯥꯔꯠꯃꯦꯟꯇ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯏꯖꯠ ꯃꯥꯡꯕ ꯌꯥꯕꯒꯤ ꯃꯁꯛ ꯑꯃꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯅ ꯑꯊꯨꯕꯗ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯕ ꯗꯤꯄꯥꯔꯠꯃꯦꯟꯇꯅꯁꯨ ꯃꯤꯠꯌꯦꯡ ꯆꯪꯍꯟꯖꯅꯤꯡꯏ꯫

ꯑꯗꯣꯃꯒꯤ - ꯗꯥ. ꯑꯙꯤꯀꯥꯔꯤꯃꯌꯨꯝ ꯑꯥꯏꯁꯣ ꯁꯔ꯭ꯃꯥ, ꯅꯣꯡꯃꯩꯕꯨꯡ

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৬

১) **''অপাইবা লৈচিল''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

২) **''ইরৈবাক্কীদমক শিবা ঙমদে
ইরৈবাক্কীদমক হিংবা ঙমই;
ইরৈবাক্কীদমক হিংবা ঙমদে
ইরৈবাক্কীদমক হূবা ঙমই।''**
শৈরেং মতেক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপা করম্বা শৈরেংনো?

৩) **''লৈশাবী মচা অমগী ডায়রী''** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল অইবা অসি কনানো?

৪) **''অদুঙৈগী নীংতম্বদু''** হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্লি। অইবগী মমিং করি কৌবগে?

৫) **''নুংশিতোম্বী''**হায়বা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।